# পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না কোভিদকা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংলক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা থোরকপা চেরোল অমদা ইরৈবাক ইরমদম মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী তাঞ্জা অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনননবগীদমক টাস্ক ফোর্স অসিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মফমদা ৱাহং খরা থল্লক্লি।

টাস্ক ফোর্স অসিগী ৱাহংশিং অদুদি মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী থর্দ ৱেভ অসি কদাইদগী লাক্কদবনো, লাক্কদৌরিবা থর্দ ৱেভসি কোভিদ-১৯গী করম্বা ভেরিএন্টনো, লাক্কদৌরিবা থর্দ ৱেভ অসি মাগী মাগী ষ্টেটতুদগী পোকচরক্কদবা অতোপ্পা ভেরিএন্ট অমগী ৱেভলা নৎত্রগা হান্নদগী নাদুনা লৈহৌরিবা ভেরিএন্ট অদুদগী অমুক মশীং য়ামথোরকপদুরা নৎত্রগনা অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাক্কদৌরিব্রা, মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই হায়রি।

অতোপ্পা ষ্টেটতগী অতোপ্পা ভেরিএন্ট অমা লাক্কদবা ওইরবদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লোইরে হায়রিবসি হৌজিক লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং অসিনা য়ারব্রা। মণিপুরদা হান্নদগী লৈরক্লিবা অনাবশিং অসিদগী অমুক শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্তুনা মশীং য়ামখৎলকপা অদুনা থর্দ ৱেভ ওইগদবা ওইরবদি লৈঙাক্কী পোলিসি শোয়বনা থর্দ ৱেভ লাকপা ওইরোইদ্রা নৎত্রগা মীয়াম্না চেকশিন্দবগী ওইগদৌরিব্রা। হৌজিক পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থরে হায়রিবসি লৈঙাক্না মপূং ফানা টেষ্ট তৌবগী চাং ৱাংনা পায়খৎপগী রেকোর্দতা য়ূম্ফম ওইব্রা নৎত্রগা মীয়াম্না মশা মশাগী অনাবা য়েংবা লাকপদা টেষ্ট তৌথোক্তবা য়াদবদগী টেষ্ট তৌখিবা অদুখক্তদগী খোমগৎপা দেটাদুগী মশীং খক্তরা। কোভিদ টেষ্টিং পোলিসি অমগী মখাদা অকনবা খোঙথাংদা পায়খৎপা ওইরগনা ঙসি নুমিৎ হুমনি/মরিনিদা টেষ্ট তৌরিবা মশীংগী চাং য়াম্না নেল্লিবসি মপূং ফাবা অকনবা খোঙথাংগী টেষ্টিং পোলিসি অমরা। ভোট ময়া য়ৌরকপদা কোভিদ-১৯বু নাথৈদুনা থল্লগা পোলিটিক্স তৌরিব্রা। মসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি মীয়ামগী পুন্সি করি ওইগনি। কোভিদ শন্দোকপা থিংননবা লৈঙাক্নদি এস ও পি শেম্বীরি অমদি মদু ঙাক্না চৎনবা লাউরি। অদুবু লৈঙাক্না পায়খৎপা থবক থৌরমশিংদা এস ও পি থুগাইবগুম তৌরিবসি য়েংশিনবা ফরোইদ্রা।

সেপ্টেম্বর, ওক্টোবর, নবেম্বর থা অহুম অসিগী মনুংদা থর্দ ৱেভ লাকপা তারগদি অঙাংশিংদা, নহাশিংদা হেন্না শন্দোরক্কনি হায়রগা করিগী স্কুল কোলেজ হাংদোক্লবা থৌরাং পায়খৎপনো। মদুগীদমক ওইথোকপা য়াবা এস ও পিগী মেকানিজম শেম শাবা লোইরব্রা। অখঙ অহৈ অমদি মীয়াম্না য়ানরবা সাইন্টিফিক ওইবা এস ও পিগী মেকানিজম অমা শেম্বা তৌদনা স্কুল কোলেজ হাংদোক্লগা তুংগী য়ূম্বীরেলশিং তুম্না মাঙহনবা ওইনা থোক্লোইদ্রা। মীওইবগী পুন্সি কনবা হায়বসিনা অহানবা খোঙথাং ওইরোইদ্রা। এদ্যুকেসনগী একাদেমিক করিয়র হায়বসিদি মতম মতমগী লাইচৎ পেন্দমিক ওইরকপগী খুদোংচাদবদুদি মতম খরা খাঙবা তাদব্রা। পেন্দমিক মনুংগী মতম অসিদা হৌজিক পায়খৎলিবা ওনলাইন ক্লাস তৌবা অসিদা খুদোংচাদবশিং খঙদোক্লগা হেন্না অপদেট ওইবা পোলিসি পুথোকফম থোক্তব্রা। থর্দ ৱেভ থেংননবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না শেম শাবা লোইরে হায়রিবা পোলিসিশিং মীয়ামগী পূক্নিং লূম্না লৈনবা লাউথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনফম থোক্তব্রা। পায়খৎলে হায়রিবা থৌরাংশিং অদু থবক ওইনা পায়খৎপা হৌবা য়াদব্রা।

মথক্তা হংলিবা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী ৱাহং ওইরিবা ৱাফমশিং অসি মখা তানা মীয়ামগী পুন্সি অৱাফমদা তাদনবা অমদি কঞ্জনবগীদমক হৌজিক্কী ওইরক্লিবা তাঙ্কক অসিগী ওইনা লৈঙাক্না খন্ন-নৈনমীন্নবগী তাঞ্জা অদু মীদিয়াগী খৃখাংদা লৌজবনি। লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসনগী নেসনল ৱার্কিং প্রসিদেন্ট প্রোফেসর অলি জাভেদনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসন, মণিপুর (ইরাবত ভবন) গী সেক্রেটরি অঙৌবা তোংব্রমগী চেরোল অমনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

## মুতুম উপেন্দ্রোদা এৱার্দ পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): শক্লাইরবা এক্তর, দিরেক্টর, রাইটর গুরু মুতুম উপেন্দ্রো (কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈকায়) দা মণিপুরী নাটকীদমক মায়কৈ য়াম্বা, মীৎয়েং য়াম্বা অমদি থোইদোক হেন্দোক্না ইথোক্তুনা মীয়ামদা কথোরক্লিববু শকখঙবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচর একাদেমিনা ডা. আর কে জয় এৱার্দ, ২০২১ ফোর লাইফ টাইম এচিভমেন্ট (কলচর, সাহিত্য) পীখ্রে হায়রি।

একাদেমি অসিগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এৱার্দ অসি লান্থোকখিবনি।

## মোইরাং পর্ব্বগী ত্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল অমসুং থিএটর মিররনা শীন্দুনা চথরকখিবা ২৭শুবা থা অমগী ওইবা মোইরাং পর্ব্বগী ত্রেনিং কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অমা ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

লোইশিন থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবী ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষ পি বিমোলানা হায়, চহী ২৭ ফাওবা লেপ্তুনা মোইরাং পর্ব্বগী ত্রেনিং পাঙথোরক্লিবা অসিনা তুংগী মীরোল কয়াবুসু লেপ্তুনা শেমগৎলক্লি হায়বদু তাকই। লমদম অসি পিক্লবসু মসিবু মশক তাক্লিবসি শান্ন-খোৎনবা অমদি আর্ট এন্দ কলচরনি। অহলশিংনা কৎথোক্তুনা লাকপদগী আর্ট এন্দ কলচর ঙসি ফাওবা লৈরিবনি। অদুবু শুমাং লীলা তৌজরিবশিংনসু কথোক্লকপদগী শুমাং লীলাগী মশকসু লেপ্তুনা লাক্লি।

সাইখোম মিরাবাই চনুগী অখন্নবা লীলারোয়শিংনা লীলা অমা পুথোক্কনি তাবদা নুংঙাইবা পোকই। লীলা অসি চীফ মিনিষ্টরগী লোয়নবী হিয়াইনুনা স্পোন্সর তৌবীগনি হায়নসু তাই। মরম অসিনা শুমাং লীলাবু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদুনা হেন্না চাওখৎহনবীয়ু হায়খি।

ত্রেনিং কেম্প অসিগী দিরেক্টর ওইখিবা এস ঐচ হেমন্তনা লীলা হায়বসি অমখক্তা ওইগদবনি। ঈশৈ লীলা, দাইলোগ লীলা, মোইরাং পর্ব্ব ওইরবসু শুমাং লীলা হায়বসিদি অমত্তনি, খাইদোক্লবা য়ারোই। ওজাশিংনা অহল ওইরবা ফাওবদা কথোক্তুনা হোৎনবিরকপা কয়ানা ঙসিদি শুমাং লীলা নৈনবা হৌরকপা, ত্রেনিং, ৱার্কশোপ কয়াসু পাঙথোরক্লি। পেন্দমিক লৈরবসু এস ও পি ঙাক্তুনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তা খন্দুনা ত্রেনিং অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ত্রেনিং অসিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইখিবা পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবনা শুমাং লীলানা ঙসি ফাওবদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লিবা অসি কোকহনবা ঙমদ্রি। মসিবু লৈঙাক্না য়েংশিনবীদুনা মপূং ফানা কোকহনবীগনি হায়নসু লীলারোয়শিংনা ঙাইনরি হায়খি।

## বি জে পিদগী তোক্লগা সুমতিদা শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): লমশাং এ সীগী বি জে পিগী মেম্বর ৬৭না পার্টি অসিদগী তোক্লগা কুমজা ২০২২গী ইলেক্সন্দা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইগদৌরিবা দল্লিয়ু সুমতিবু শৌগৎলকপদা মখোয়বু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দল্লিয়ু সুমতিগী য়ূমদা লমশাং হায় পৱর কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিদা দল্লিয়ু সুমতিনা লমশাংগী আশা ৱার্করশিংদা থা-থাগী ওইনা লুপা লিশীং ১/১গী শেনফম পীদুনা লাক্লিবসি মহাক্না হিংলিঙৈ ফাওবদি পীখিগনি হায়খি। শেনফম অসি মমাঙ থাগী ১০দগী পীবা হৌরকখিবনি। মরমদি মহাক্কী মপুরোয়বা দল্লিয়ু ব্রজবিধু কোভিদনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। মহাক্কী থা-থাগী ফংজবা তোলোপনা পীবদি কোন্নবা নত্তে অদুবু শেনফম অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী খরা হাপকৎলগা আশা ৱার্করশিংনা থবক্তদি য়াম্না ৱাজরগসু মখোয়গী ইন্সেন্টিভ ফংজ দবা অদুগীদমক য়েংলদুনা পীজবনি হায়খি।

## নীংশিং য়ূম্বী মায়খুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): কিমাক্স অমসুং কংলা শা অনীনা পূন্না শীন্দুনা থাঙ-তাগী লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা ওজা সাইখোম নোদিয়া মঙাংগী নীংশিং য়ূম্বী অমা ঙসি ৱাখ লৈমা চীংদা য়ুংদুনা মসিগী মায়খূম হাংদোকখ্রে।

নীংশিং য়ূম্বী অদুগী মায়খুম অদু লাইগী থৌরম পাঙথোক্লবা মতুংদা হাংদোকখিবনি। লোয়ননা নীংশিং য়ূম্বী অদুদা থাঙ-তাগী মহৈরোয়শিংনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা হিজম সনাহল মঙাংনা লাইওইখ্রবা ওজা সাইখোম নোদিয়া মঙাংগী পুন্সি ৱারোল পাথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা কিমাক্সকী জেনরেল সেক্রেটরি থাংজম সুরজ মৈতৈনা হায়, লমদমসিগী থাঙ-তাগী লুচিংপুরেল ওইবীরম্বা ওজা অসিগী নীংশিং য়ূম্বী অমা কিমাক্স অমসুং কংলা শানা খৃৎশম্নদুনা য়ুংজবনি। লৈখিদ্রবা ওজানা পাংজরম্বা থবক থৌরম অমসুং থাঙ-তাগীদমক্তা কৎথোক্তুনা হোৎনবিরম্বা কয়াবু তুংগী মীরোলনা কাউদনবা হোৎনজবনি হায়বগা লোয়ননা নীংশিং য়ূম্বী অসি য়ুংনবগীদমক্তা মতেং পাংবিরকখিবা অমদি শরুক য়াবিরকখিবশিংবুসু মহাক্না ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## গভর্ণমেন্টনা ইনক্কারি ক্লোজ তৌশিনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*ওগষ্ট ২৯, ২০১৯দা পীখৎলকখিবা মসিগী রিপোর্টতনা হায়রিবা পুলিস ওফিসর ওইরম্বা মীওই অসিগী মথক্তা তৌরিবা চাজ শিংগী মতিক চাবা খুদম চাংদম অমত্তা ফংদ্রে হায়দুনা থাগৎলকখিবনি।

অদুম ওইনমক থবক্তগী পোথারবা পুলিস ওফিসর অসিগী ফংফম থোক্লিবা পেন্সনরি বেনিফিটশিংদি লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবদা ইনক্কারি অসিগী মীংদা পীথোক্তনা থল্লকখিবনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী থৌওং অসিদগী এস মঙলেমজাও মশামক্না পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৯৯৯ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পিটিসন অদুনা সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ ত্রাইব্যুনেল (গুৱাহাটি বেঞ্চ) না নবেম্বর ৪, ২০১৯দা পীরকখিবা ওর্দর অমসুং চীফ সেক্রেটরি (দি পি) না ফেব্রুৱারী ২৭, ২০১৮দা মহাক্কী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি চত্থরগনি হায়দুনা থোকখিবা ওর্দরশিং অদুবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি।

মহাক্কী পিটিসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুং কোর্ট অসিগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১২দা পীখিবা জজমেন্ট অমদা সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ ত্রাইব্যুনেলগী ওর্দর অমসুং চীফ সেক্রেটরিগী ওর্দর অদুবু চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা মহাক্না থবক্তগী পোথারবা মতুংদা মহাক্কী ফংফম থোকপা পেন্সনরি বেনিফিটশিং অদু কোর্টনা ওর্দর পীরিবা নুমিৎ অসিদগী পারগা থা ৩গী মনুংদা পীথোকখিনবা খঙহনখিবনি।

অদুম ওইনমক কেস অসিগী রেসপোন্দন্ট ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংবু লুচিংলিবা চীফ সেক্রেটরি য়াওনা রেসপোন্দেন্টশিংনা মঙোন্দা পীফম থোক্লবা পেন্সনরি বেনিফিটশিং পীথোক্তনা নমশিন্দুনা থল্লকখিবনি। মসিগী মায়োক্তা এস মঙলেমজাও মশামক্না মরী লৈনবা ওফিসলশিং অসিগী মথক্তা কন্টেম্প কেস (সিভিল) নম্বর ৬০ ওফ ২০২১ অমুক্কসু হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী মায়কৈদগী কন্টেম্প কেস ফাইল তৌরকপদগীদি দি পিগী মায়কৈদগী থা অসিগী ৩দা থোকখিবা ওর্দর অসিনা মহাক্কী মথক্তা লিংখৎলম্বা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি অদু ক্লোজ তৌশিল্লে হায়বগা লোয়ননা মঙোন্দা পীথোকফম থোক্লবা পেন্সনরি বেনিফিটশিং অদু পীথোকখিনবা প্রিন্সিপাল একাউন্টন্ট জেনরেল, মণিপুরদা দিরেক্সন পীখিবনি হায়রি।

## পোজিটিভ কেস ৩২২ থেংনরে...

*লামায় ১গী মখা...* কাংপোকপীদগী মীওই ১নি হায়রি। অদুগা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেকেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈখিদ্রে হায়রিবা মীওই ২ অদুনা থৌবাল অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী মীওই ১/১নি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা পূন্না লৈখিদবা মীওই ১৭৯৮ শুরে। লোয়ননা ঙসি লৈখিদবা মীওই অনীমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিং ঙাক্তা ওইবগী মথক্তা মীওই অমদি কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়রি।

অদুগা ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখ্রবশিংনা মীওই ৩৩৮নি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ১২৩, রিমস ২৪, জেনিমস ৮, সী সী সীশিংদগী ১১৩ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী মীওই ৭০নি হায়রি। লোয়ননা ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৩২২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,১৫,৩৯৯ শুরে। রিকোভরি কেসশিংগী অপূনবা মশীংনা ১,১০,৩৪১ শুবগা লোয়ননা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৩,২৬০ লৈরি। অদুগা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৫.৬১ য়ৌরে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ ১৪৬২ অমসুং বি টাইপ ৩৭৮নি হায়বগা লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৬৩৩৮দা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি। ঙরাং কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং অসি থারগা পূন্না হীদাক কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং ১৫,৬০,৪৪১ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্লবশিংনা ১১,৯৩,৭২০নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপ্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩,৬৬,৭২১নি হায়রি।

## ষ্টেটকী থাক্তা ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং অরাইবা মওংদা পাঙথোকপা ঙম্নবা অমসুং মসিগী খুদোংচাবশিং পীনবগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবক পূম্নমক লৌখৎতুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ফুরুপ পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা অনৌবা চাওখৎ থৌরাংগী থাক অমদা পুখৎলকপবু মরু ওইনা পল্লদুনা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসনগী ঙমখৈ মনুংদা গভর্ণমেন্টনা মতম পূম্নমক্তা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পাঙথোক্লি হায়খি।

এদ্যুকেসনগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মীপূম খুদিংমক্না মখোয় মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা ওজা অমদগী য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌগদবনি। ওজাশিংগী নুমিৎ অসি ঙসিগী নুমিৎ অসিদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসি ওজাশিংনা লৈবাক অসিগী তুংগী লন ওইহৌগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরকখিবা থৌদাংশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিনা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা ওজাশিংগী থৌদাংশিং খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎপগী চৎনবী অমসু লৈহল্লগনি হায়খি।

এৱার্দ ফংলবা ওজাশিংবু মখোয়না মশাগী খন্দনা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিংবু লমজিংলকপগী থবকপু শীংথারদুনা অসিগুম্বা ওজাশিংগী কথোকপগী থবকশিং অসি মখা চত্থখিগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট এৱার্দ ফংলবা ওজা ৯দা সোল, সর্টিফিকেট অমদি শেল ওইনা লুপা লিশীং ১০ য়াওবা মনাশিং খূৎশিন্নদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লোয়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা কোলেজগী মহৈরোয়শিংদা স্মার্ট ফোনগী খুদোংচাবা পীনবা চীফ মিনিষ্টরস কোলেজ মহৈরোয় ঈ-সপোর্ট স্কিম অমসুং চহী ৩দগী চহী ৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা চান্নবা এদ্যুকেসন ফংহন্নবগী পান্দমদা নেসনল ইনিসিএটিভ ফোর প্রোফিসিএন্সি ইন রিদিং ৱিথ অন্দরষ্টেন্দিং ওন ন্যুমেরেসি ভারত হায়বা অনৌবা স্কিম অমসু লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অসিদা নেসনল টিচরস এৱার্দ, ২০২০-২১ ফংখ্রবা উখ্রুল হায়র সেকেন্দরিগী লেকচরর নিংমেরিও সিমরেবুসু চীফ মিনিষ্টরনা তরাম্না ওকখি। অদুগা ষ্টেট টিচরস এৱার্দ ফংলবা ওজাশিং অদুনা আনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদেমিগী লেকচরর খুলেম মেমতোম্বী, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী ফুবা হায় স্কুলগী সাইন্স গ্রেজুয়েট টিচর এস ঐচ রুলিংসন রোখো, খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অথোকপম রঞ্জিতা, সর্দার পটেল হায় স্কুল খুরখুলগী আর্টস গ্রেজুয়েট টিচর হুয়াম প্রিয়োবর্ত্ত, ইবোতোনসনা গলর্স হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর লিসম জিটেশ্বরি, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী এনকোট হায় স্কুল (গভর্ণমেন্ট এদেদ) কী ওজা লাংসং লিয়ানা, পলেল হায় স্কুলগী ওজা সলাম মনিচৌ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী চীংখৈ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী হিন্দি মেত্রিক্যুলেট টিচর নিংথৌজম বিনোয় অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী লিৱা চংনীং হায় স্কুলগী আর্টস গ্রেজুয়েট টিচর সৈফানি রোল মোয়োলনি।

চৎলিবা একাদেমিক সেসন অসিগী হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন্দা মহৈরোয়শিং পাস তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংবনা মরম ওইরদুনা মহৈরোয়শিং অসিবু মখা তানা মহৈ তম্বা ফংহন্নবগীদমক হায়স্কুল ১০ হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা ওনখৎপগী ৱাফম গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরে হায়নসু লাউথোকখি। স্কুল ১০ অসিগী মথক্তা করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি হায় স্কুল খরদসু অপগ্রেদেসন তৌখিগনি হায়খি।

য়ু পি এস সীগী সিভিল সর্ভিস এগজামিনেসনগীদমক অথুবা মতমদা কোচিং ক্লাস অমা ষ্টেট একাদেমি ওফ ত্রেনিংদা হৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা কোচিং ক্লাস অসিদা মহৈরোয় ২০০ রোমনা দেল্লীদগী খ্বাইদগী ফবা আই এ এস মেন্টরশিংগা হকথেংননা মায়-মায় ওনশিন্নদুনা ত্রেনিং লৌবা ফংলগনি হায়খি।

লোয়ননা অহেনবা মহৈরোয়শিংদসু হায়রিবা খুদোংচাবা অসি পীনবগীদমক ভি এস এ টি ক্লাসশিং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবা হোৎনরগনি হায়খি। লোয়ননা লৈঙাক অসিনা চত্থদুনা লাকখিবা 'গো টু হিলস' গী অনীশুবা তাঙ্কক হৌরগনি হায়নসু লাউথোকখিবগা লোয়ননা চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং মীওইশিং অদুগী য়ূমথোঙ য়ূমথোঙদা ফংহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

## অৱাৎপতনা থল্লবা খাঙবোক এ সী চাওখৎহনগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈগনি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদি হান্নগী কোঙ্গ্রেসকী লৈরম্লিবা লৈঙাক অদুগা য়েংনরুরবদি য়াম্না ফবা লৈঙাক অমনি হায়জনিংই। লৈঙাক অসিনা পায়খৎলক্লিবা হকসেলগী তেংবাং য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। য়ুমথোং খুদিংগী গ্যাস কনেক্সন তৌবিদুনা য়ূমগী নুপীশিংনা ৱাজরম্বা হৌজিক্তি কোকখ্রে। মৈগী অৱাবসু লৈত্রে। লো এন্দ ওর্দর ফরে, বন্দ-ব্লোকেদ তৌখিদ্রে, ঈংনা-চিক্না লৈবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অসিগী মতাংদা হায়জ নিংবদি মানা তৌবনা মানা ফংই হায়বদুনি।

**ৱাহং :** লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা মীখল মায়োক্নগে হায়না খনবিরি?

পাউ : হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসি ঐগী থম্মোয়না তশেংনা পামজবা গভর্ণমেন্ট অমা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা বি জি পি লিদ তৌবা লৈঙাক অসিগী শরুক অমা ওইদুনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবা পামজবা মরম্না বি জে পিদা ভোট অদুমক লেপকনি। তুমদুনা লৈরিবা এ সী অসিগী নুংশিজরবা মীয়াম্বু মীৎকপ থোক্লনবা চাওখৎপা লম্বীদা চঙশিনবা ঙম্নবা থবক তৌমিন্নসি, অচুম্বা ফজবা এ সী অসিগী য়াইফগদবা থবক তৌসি হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি থেংনগনি।

**ৱাহং :** কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : করিগুম্বা মীয়াম্না নুংশিবিদুনা মীয়ামগী থবক তৌজরিবা অমদি তৌজবা পাম্বা অসি খঙবি-উবিরদুনা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরবদি ইহান হান্না এ সী অসিগী লুচিংবশিংনা কাংলুপ-কাংলুপ খায়দোক্তুনা অমগা-অমগা নুংশিহন্নরমদ্রিবা অসি থোক্তনবা ঐখোয় অমত্তনি, মতম অসি অমনা অমবু য়েংথিনদুনা লৈগদবা মতম নত্তে। পুন্না হোৎনমিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা চাওখৎনবগী লম্বীদা চঙশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোলদা হান্না নুংশিনদনা লৈরিবা অসি কোক্লবা হোৎনগনি। চাবা-থকপদা মীপান তাংদুনা লৈরিবা অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা গ্রিন রেভল্যুসন পুরক্তুনা হাঙদুনা লৈরিবা লম্মাংশিং শীজিন্নদুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা চাবা-থকপদা মীপান তাংদনবা হোৎনগনি। পুক হাংদুনা লৈরবদি চাওখৎপগী লম্বীদা চৎপা ঙম্লোই। লম অমা চাওখৎপা হায়বসিদা এদ্যুকেসননা য়াংলেন শরু ওইরিবনি। মরম অদুনা এ সী অসিদা লাইরিক লাইশু হৈতবা মীওই অমত্তা লৈতনবা হোৎনগনি। করিগুম্বা এ সী অসিদা লৈত-লায়রবনা মরম ওইদুনা মহৈ তম্বা ঙমদবা অঙাংশিং লৈরম্লগাদি ঐগী স্কুলদা শোয়দনা মহৈ তমহনগনি। শমরাম, উয়ান হায়রিবা মফম অসিদা স্কুল অমত্তা লৈতে। লোয়ননা থক্লনবা ঈশিং, হেল্থ সেক্টর, ইরিগেসনগী অৱাৎপা কয়া লৈরিবা অসি লৈতনবা অকনবা মওংদা ইশাগী কান্নবা থীদনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। হৌখিবা চহী চাওরাক্না চহী ২০ লোমদগী লেপ্পা লৈতনা থা-থাগী ওইনা ঙমজবা শেলগী মতেং ওইনা এ সী অসিগী অহল ওইরবা মীওই কয়াদা পেন্সন পীদুনা মখোয়গী সেবা তৌবা ওইনা থবক তৌদুনসু লাক্লি। মীওইবা অমা ওইনা পোল্লগাদি মীওইবগী থৌগল তৌবা ঙম্লবদি পোকপগী মহৈ য়ানবা হায়বদু ওইগনি।

**ৱাহং :** নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মতম-মতমগী পানখ্রিবা লৈঙাকশিং অমদি লমদম অসিগী লুচিংবশিং অদুনা মীয়ামদা এব্যারনেস পীবা খঙহনবগী থবক তৌবা য়াম্না ৱাৎখি। লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়ামদসু ৱার্ক কলচরগী হৈনবী কয়া লৈখিদবা, লুচিংবশিংনসু খঙহন্নবা হোৎনখিদবা অমদি শুনিং-নোমনিংবগী ৱাখল্লোল অমদি থৌনা অমগা লোয়ননা হোৎনখিদবশিং অসিনা মরম ওইদুনা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা শোৎথনা লৈরম্বনি। ঐদি লায়রবনি, ঐগী কন্না লৈতে হায়না খন্দুনা লৈরবদি চাওখৎপা ঙম্লোই। মতৌ করম্না করি তৌরগদি লৈরিবা ফীভম অসিদগী হেন্না ফীভম ফগৎলকপা য়াবগে হায়না খনবগা লোয়ননা থবক তৌবা চঙই। ঐহাকসু য়াম্না লায়রনা হৌরকখিবা মীশক অমনি। লৌ-ইঙ্খোল লৈতে, লাইরিক মপুং ফানা তম্বা ফংলকখিদে। অদুবু করি তৌরগা চাওখৎপা য়াগদগে খন্দুনা থবক তৌবা হৌরকখি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংনা গভর্ণমেন্টকী থবক খক্তনা থবক নত্তে, করি তৌবা য়াবগে হায়বা ৱাখল খন্দুনা অমনা-অমগী মতেং পাংদুনা হোৎনমিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ঙা ফজনা য়োক্লবদি ওফিসর অমগী থাগী তোলোপতগী হেন্না শেল তানবা য়াই। অসিগুম্বা তোঙান-তোঙানবা থবকশিং শুনিং-নোম্নিংবগী ৱাখলগা লোয়ননা হোৎনরক্লবদি শোয়দনা চাওখৎপা লমদম অমা হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

**ৱাহং :** অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ইমুংগী লৈত-লায়রবা অমদি ঙন্না অহলশিং লৈখিদবনা ঈশানা হোৎনজরগা গ্রেজ্যুএসন ফাওবা লোইশিনখি। অপোকপা অমদি অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা অপোকপগী মীংনা খুন্দ্রাকপম মতুম অমদি লৈখিদ্রবী অপোকপী ইমাগী মীংনা খুন্দ্রাকপম ওংবি অতোনসনা কৌই।

**ৱাহং :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐমক্কী ওইনদি ইশাগী করিগুম্বা কান্নবা মচেৎ অমা থীদনা ঐনা এ সী অসিগী মীয়ামগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং তৌবা শোয়দনা ঙমগনি খল্লি। মসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। হৌজিক ঐগী ইচাশিংসু মতিক চাবা মী অমমম ওইদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লে। ইশাগী ওইবা শেম্থোক লম্বী লৈবনা শেল তানশিনবগী ৱাখল লৈতনা শুপ্নগী মীয়ামগী অমদি এ সী অসিগী চাওখৎনবা থবক লোমদা ওইনা মায় ওনশিল্লগা থবক তৌরি অমদি মীয়াম্না মীহুৎ অমা ওইহনবিরবদি অমুক্না হেন্না পাকচাওনা মীয়ামগী কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌবা ঙমগনি।

**ৱাহং :** এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : টোটেল ভোটর লিশিং ৩৬ মুক লৈ অদুগা পোল্লিং ষ্টেসননা ৪৭ নি। নন মণিপুরি ভোটরদি লৈতে।

**ৱাহং :** পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাও ঙাওনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাওনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : ঐনা কনাগুম্বা অমগী পেন্নবা থবক তৌজরবসু মীওই অদুনা পেঞ্জরমদবসু য়াই। হায়বদি মীওইববু মপুং ফানা পেলহনবা হায়বসি লাইমক্না ফাওবা পেলহনবা ঙমদে হায়নরিবনি। মীওইবগী অপেনবগী পনখৈ লৈতে। মরম অদুনা খরা অমনা ফৈ অমদি খরা অমনা ফত্তে হায়নগনি। অদুবু ঐগী ওইনদি মীয়ামগীদমক অঙম্বা থাক্তা পেলহন্নবা অমদি নুংঙাইনবা হোৎনগনি। মীয়ামগী মপুংফানা থবক তৌবা হায়বসিদা পোলিটিকেল ওইবা থৌদাং য়াওরক্তবা য়াদে। শুপ্নগী সোসল ৱার্কর অমা ওইনা অদুমক মীয়ামগী থবক তৌবদি করিসু কায়দে। অদুবু মীয়ামগী তৌনিংলিবা থবকশিং অদু য়াম্না লিমিটেদ ওইরক্কনি। খুদম ওইনা লৌমীশিংগীদমক ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা শেমগৎকে হায়রবসু সোসল ৱর্কর অমা ওইনা তৌবা ৱাগনি। করিগুম্বা মীহুৎ অমা ওইরবদি মতিক চানা শেমগৎপা ঙম্বা খক নত্তনা অতৈ চাওখৎপগী থবক কয়া মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি। মরম অদুনা অদুগুম্বা মীয়ামগী থবকশিং অসি তৌজনিংবদগী পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা চঙলকখিবনি। লাইরবশিংগী, কনা লৈজদ্রবা মীওইশিং অমদি তোল্লন-তারবশিংগী মরক্তা লৈদুনা থবক তৌগনি। লোয়ননা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা খঙদোক্লবা অখন্নবা মতম খায়দোক্তুনা এ সী অসিগী মীয়ামগা উননবগী মতম থমগনি।

**ৱাহং :** করসপন চাওনা লৈরে পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : ভোটতা পল্লিকনা কেন্দিদেটশিংদা কা হেনবা দিমান্দশিং তৌহন্নিংদে। মরমদি মীয়াম্না তৌনরিবা দিমান্দশিং অদু মপুংফানা পাঙথোক্লবা মীঙোন্দগী পুশিন্দুনা অমদি পোপরটি য়োন্থোক্তুনা হোৎনখিবদি য়াই। অদুবু কেন্দিদেটশিং অদুনা ভোট কাখ্রবা মতুংদা চঙখ্রিবা শেনফমশিং অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনরকপনা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্নদবরা হায়না খল্লি। মরম অদুনা মীয়াম্নসু কেন্দিদেটশিংদা য়াম্না কা হেন্না পু থাংবা ঙম্লোইদবা দিমান্দশিং তৌহন্নিংদে। লোয়ননা কেন্দিদেটশিংনসু তৌবা ঙম্লোইদবা থবকশিং তৌবা ঙমগনি হায়হন্নিংদে। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্না ৱাখল তামিন্নরবদি করপসনসু মুথৎপা ঙমগনি হায়না খল্লি।

**ৱাহং :** লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্না থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না ইশা-ইশানা ৱাখল তামিন্নবা চঙই। লোয়ননা তুংগী য়াইফগদবা ৱাখল খন্থমিন্নদুনা থবক তৌহন্নিংই। মতম অদুদা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙাক খরদং ওইরবসু কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি হায়না খল্লি। লোয়ননা খুন্নাই অসিদা চৎনরিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংদা অমদি হরাউ-কুম্মৈশিংদা য়ারিবমখৈ ময়াই কাবা চিঙাক শীজিন্নদনবা হোৎনমিন্নসি। লোয়ননা লমদম অসিগী থৌগল তৌরিবা অরাংফম অমদি চাক-ইঙ্খাং থোংলিবা মীওইশিংসু ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।

**ৱাহং :** থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : গভর্ণমেন্টগী থবক খক্তনা থবক ওইনা খন্নরিবা ৱাখল্লোল অসিমদি ইশানা য়াজনিংদে। ঐনা শুনিংলবদি ইশানা ইশাবু থবক অদুমক পীজবা য়াই হায়না খল্লি। নহাশিংনা লৈঙাক্কী থবক তৌনবসু হোৎনবিয়ু লোয়ননা ইশানা-ইশাবু থবক পীজনবা মায়কৈরোমদা হেন্না মীৎয়েংসু চঙহন্নিংই।

**ৱাহং :** ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স অসিদা করি-করি শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা পোৎশক লৈরগদি মদুসু হায়বিয়ু।

পাউ : ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী মতাংদা হৌজিকমক হেক অপাম-পামদা হায়বদি খজিক মতম চাদ্রিবরা হায়না খল্লি। অদুবু থবক অমা তৌবদা নৎত্রগা থবক অমা লৌবা মতমদা মী-মী অদুগা চান্নজবা অমদি ক্বালিফিকেসন অদু মুন্না য়েংলগা থবক তৌবগী তাঞ্জা পীহন্নিংই অমদি তৌহন্নিংই।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 86.721803 |
| US Dollar | 73.004976 |
| British Pound | 101.192627 |
| Australian Dollar | 54.409280 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.312795 |
| Japanese Yen | 0.665482 |
| Malaysian Ringgit | 17.607604 |
| Singapore Dollar | 54.427372 |
| South Korean Won | 0.063216 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.467993 |
| Thai Baht | 2.251891 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46978.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47350.00 |
| Delhi | – | Rs | 47246.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47520.00 |


## GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 19/07/2021
**BOOKING UPTO: 21/07/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY:
03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO - 30-07-2021,**
VALID FROM 17-07-2021,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP) 7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 02/09/2021**
Valid from 05/08/2021

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 25-08-21**
Only home delivery within 4 days
Office no. 8794313865
Home delivery contact no. 7005013837, 9366008621
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.